**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-11-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা উমাথেল লাই চিংশাং হিল রেঞ্জতা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- ইনসার্স এল.এম.জি অম, মেগজিন অনি, টুয়েল্ব বোর রিটিতর অমা, সিঙ্গল বেরেল বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২০, কাপথোকখ্রবা টোকিং ১৩, গ্রেনেদ অহুম অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

নিয়ম কায়না গাড়ি থৌরকপশিংগী মথক্তা পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎলি। গাড়ি মিংশেলদা নপ্পম্বা টিনতেট ফিল্মশিং লৌথোকখি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ি ২৫০ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোয় অঙাম থোক্তনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎলি।

অমরোমদা, ককচিং লমখায় পল্লেল লম্বীগী বিজয়পুর মনাক্তা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা শকখঙদবশিংনা মহৈরোই মরি ফুরম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই মঙা পুলিসনা ফাগৎলে। মখোয়না পুরকপা গাড়ি অনিসু লৌখৎলে। মখোয়গী মথক্তা মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থরি।

**চাকহাউঃ** নুমিৎ নিনি চত্থরকপা ভারত ইন্টরনেসনেল রাইস কনফরেন্স ২০২৫

দা মনিপুরগী চাকহাউ অমুবা অমসুং অঙৌবগী পোৎথোকা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনবা ঙমখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙরা লোয়শিনখিবা কনফরেন্স অসিদা রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী দাহরেক্তর-পিটর সলামনা লুচিংবা ফামর প্রদ্যুসর কম্পানি অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংগী টিম অমনা মালেমগী মীয়ামনা পামরক্লিবা মনিপুরগী চাকহাউ য়াওনা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিং উৎখি।

কনফরেন্স অসিদা মনিপুরগী চাকহাউ অঙৌবা মেত্রিক টোন ২০ জপানদা থাননবা য়ান্ন-চেরোল অমা সহি তৌনখি। থৌরম অসিদা লুপা কোতি মরিরোমগী মমল ওইগদবা লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিং য়োননবা মনিপুরগী ফামর প্রদ্যুসর কম্পানিশিংনা মায় পাকা থবক পায়খৎপা ঙমখি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং পুন্না দেঙ্গিগী সেম্পল ১৯০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৯৪ পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-রিমস হোস্পিতালদা পুন্না সেম্পল ৪৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২০ পোজিটিব ওইখি। জেনিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ১৪৩ টেষ্ট তৌবদা ৭১ পোজিটিব ওইখি অমসুং লন্নাই হোস্পিতাল অহুমদা সেম্পল অহুম টেষ্ট তৌবদা অহুম্মক পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

**কুট(এল)ঃ** চিন-কুকি-মিজোশিংগী লৌরোক মতুং কুম্মৈ চবাং কুট, মনিপুরদা ঙসি পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা রাজ্য অসিগী মীয়াম মরুওইনা কুকি-চিন-মিজো কাংলুপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপালনা হায়-চবাং কুট হায়বসি লৌরোক মতুংগী

কুম্মৈনি। মসিনা মীয়াম অমদি মহৌশাগা লৈনরিবা অচেৎপা মরী, থবক কন্না শু-নোম্বগী মতিক মগুন অদু নিংশিংহনবা, নুংশি চান্নরা অমত্তা ওইবা হায়বদু নীংশিংহল্লে। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরী, শান্তি, ব্রাৎত-পাদবা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা হায়বদু রাজ্য অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা লাকপা ওইরসনু।

অমরোমদা, কুম্মৈ অসি রাজ্য থাক্কী ওইনদি পাঙথোক্করোই হায়রি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** ভিজিলেন্স এৱারনেস ৱিক ২০২৫, বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদসু ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্ট মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টাফ অমসুং ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা উ থাবগী থৌরম অমস পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মোইরাং লমখাইদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস মহৈরোই ৬০ রোমদা বোই-কোলোম অমদি অতৈ পোৎলম কয়াসু য়েম্থোকখি।

ভিজিলেন্স এৱারনেসন ৱিক-২০২৫ গা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা এদিসনেল এস.পি. (ভিজিলেন্স) লাইশ্রম বিজোয় কুমারনা এৱারনেস ৱিক অসিগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**রেকোর্ড ঃ** লৈবাক অসিদা স্বস্থ্য নারি সাসক পরিবার অভিয়ান কেম্পেইন নীংথিনা পায়খৎপদগী কেম্পেইন অসিগী মখাদা লৈবাক অসিনা গেরিজ ৱার্ল্ড রেকোর্ড অহুম ফংবা ঙমলে।

হেলথ কিয়ার প্লেটফোর্মদা শুপাগী থা অমগী মনুংদা মীওই কোতি অহুম লাখ ২১ রেজিস্তার তৌদুনা খ্বাইদগী য়ামা রেজিস্তার তৌবগীদমক ৱার্ল্ড রেকোর্ড অসি চনবা ঙমখিবনি। চয়োল অমখক্তগী মনুংদা ওন লাইনগী খুথাংদা নুপী লাখ

৯ লিশিং ৯৪ ব্রেস্ত কেন্সর লৈত্রা লৈতবরা খঙদোকবগীদমক স্ক্রিনিং তৌবা ঙমখি। তোঙান তোঙানবা লায়না লৈত্রা খঙদোকবা রাজ্য অমমমদা শুপগী চয়োল অমগী মনুংদা মীওই লাখ অমা লিশিং ২৫ স্ক্রিনিং তৌখি।

কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-কেম্পেইন অসিগী মখাদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারাগী মেদিকেল কলেজশিং অতৈ ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা শরুক য়াদুনা কেম্পেইন অসি মায় পাকা পাঙথোকপা ঙমখি।

**মেনেফেষ্টোঃ** বিহার বিধান সভাগী অহানবা থাক্কী মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। এন.দি.এ. অমসুং মহাগত-বন্ধনগী লুচিংবশিংনা মফম কয়াদা মীয়ামগী মীতিন পাঙথোক্লি।

ঙরাং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, জনতা দল য়ুনাইটেদ লুচিংবা নিতিশ কুমার, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, আর.জে.দি. লুচিংবা তেজশ্বি প্রসাদ যাদব, এ.আই.এম.আই.এম. লুচিংবা আশাক উদ্দিন অৱেসিনচিংবা লুচিংবা কয়ানা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন.দি.এ) গী সংক্লপ পত্র (মেনিফেষ্টো) ঙরাং ফোংখ্রে।

সংক্লপ পত্র অদু বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমার, বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দা, বি.জে.পিগী বিহার মীখলগী ইন-চার্জ অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ধমেন দ্র প্রধান অমদি অতৈ এন.দি.এ. লুচিংবশিংগী মমাংদা পুথোকখিবনি।

**মন্ত্রালঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না কেন্দ্রিয়া গৃহ মন্ত্রি দক্সতা পদক-২০২৫ লাউথোকখিবগা লোয়ননা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা মনা ফংলবা পুলিস পার্সোনেলশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য, য়ুনিয়ন

টেরিটোরিশিং, সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্স অমসুং সেন্ত্রেল পুলিস ওর্গনাইজেসনশিংনা ভারতপু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-মনা অসিনা তুংদা লাক্কদবা মীওই কয়াবু পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগীদমক্তা থৌদাং য়ানবগী লম্বী য়াৎলগনি। মনা অসি গৃহ মন্ত্রালয়না ইং ২০২৪ দা হৌদোকখিবনি। কুমশি চহিগী ওইনা মনা অসি পুলিস পার্সোনেল লিশিং ১,৪৬৬ তা পীগনি। ইনভেষ্টিগেসনগী ফিল্ডদা পুন্না পার্সোনেল ৯৩ পীবদা মনিপুরগী নুপী সব ইন্সপেক্তর-ফুরিৎশাবম রোমিবালা দেবী য়াওরি।

মনাশিং অসি অখন্নবা ওপরেসন, থিজিন হুমজিনবা অমসুং ফোরেন্সিক সাইন্সকী লমদা পীবনি।

মনিপুরদা ঙরাং রাস্ত্রিয়া এক্তা দিবস নেসনেল য়ুনিতি ডে পাক শন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা উরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-নেসনেল য়ুনিতি ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে, অমত্তা ওইবগী ৱাখল মাঙহন্দনা থমসি হায়না রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি পোকফমদনা-অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা জিওগ্রাফিকেল ইন্টিগ্রীতিখক নত্তনা ইমোস্নেল ইন্টিগ্রীতিসু চংই হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, নহারোলগী থৌদাংনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

কুকিনা পুখাউ লৈতানপোকপীদা লম্বী শেমজিল্লকপদগী ইরাং থোকখ্রে, লম্বী তৌখায়খ্রে, এস.পিনা য়েংশিনখ্রে, মীফম ফমখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-কোকোমিনা সঙাই ফেষ্টিবেল বোইকোট তৌগনি

হায়না লাউথোকখিবা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-নাগালেন্দদা লৈবা নাগা নত্তবা ত্রাইবশিংদা য়েলহৌমীগী ষ্টেটস পীররোই হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সোসিএল মেদিয়াদা অমজ্ অমসুং ই.জি.এমবু লান্না উহন্নবা হোৎনবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অমা মনিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-নাগালেন্দ সরকারনা কুকি, কছারি, নিকির অমসুং গাড়ো ফুরুপশিংদা পীরম্বা খুদোংচাবশিং পীররোই হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুর ক্রাইসিষ্ট ইন্সরজেন্সিনা থোকহনবা নত্তে। কাংলুপ অনিগী মরক্তা থোকপা ক্রাইসষ্টনি হায়না নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দৌবালনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী মহৈরোই তঙ্খায় হেন্না প্রাইবেট স্কুলশিংদা তম্লি, ওজা অমদগী হেন্না লৈতবা স্কুল ৩৮৩ দা মহৈরোই লিশিং ৯,১১৫ তম্লি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-লন্নাই হোস্পিতালশিংনা সি.এম.ঐচ.টি. অমসুং পি.এম.এ.জি.ব্রাইগী সার্ভিস লেপ্লগনি লাউথোকখিবদগী দাইলাইসিষ্ট পেসেন্টশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-তামৈদা ১০ শুবা রাজ্য থাক্কী চগা ঙি কুম্মৈ পাঙথোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।